বি জে পিগী এম পি ডো. হার্শ ভরধন পোলিটিক্সতগী পোথাখ্রে



ন্যু দেল্লি, মার্চ ০৩ (এজেন্সি) :

চহী ৩০ হেন্না পোলিটিক্সতা মায় পাক্লক্লবা অমসুং হেল্থ মিনিষ্টর ওইরম্লবা ডো. হার্শ ভরধন ঙসি পোলিটিক্সতগী পোথারে হায়না লাউথোকখ্রে।

ডো. হার্শ ভরধনগী ৱাফম অসি বি জে পিনা লাক্লিবা লোক সভা ইলেক্সন অসিগী ওইনা চন্দনি চোককী টিকেট অসি এম পি ওইরিবা ডো. হার্শ ভরধনদা হান্না পীরম্বদু হন্দক পীখিদ্রবা মতুংদ থোক্লকখিবনি।

ডো. হার্শ ভরধননা এক্স তা মীয়ামগী সেবা তৌবা ফংজবগী নুংঙাইবা ফোঙদোক্লদুনা পোলিটিক্সতগী পোথরবসু খুন্নাইগী অৱাবা তারবা মতমদা মতেং পাংখিগনি হায়না ফোঙদোকখি। মহাক্না চহী ৩০ অসিদা মীয়ামগীদমক অহোংবা পুরক্কবা হোৎনরম্বা কয়া অদুগী নুংঙাইবা ৱাখল পুদুনা পোথারগনি হায়খি।

মহাক্না হায়, ঐহাক্না পোলিটিক্সতগী পোথারবসু ঐনা টোবাকোগী মায়োক্তা, ক্লাইমেট চেঞ্জগী মায়োক্তা চংশিল্লম্বা খোঙজংশিং অমসুং লৌখৎলম্বা থবক থৌরম মখা তানা তৌখিগনি। চম্না হিংবা অমসুং সষ্টেনেবল ওইনবা হোৎনবা হায়বসি ঐগী অপাম্বনি হায়খি।

বি জে পিনা থাদোরকখিবা কেন্দিদেট ১৯৫ অদুগী মনুংদগী প্রাভিন খান্দেলৱালনা চান্দনি চোককী কেন্দিদেট ওইনা থোক্লকখি। হান্না যুনিয়ন মিনিষ্টর ওইরম্বা ডো. হার্শ ভরধননা চহী ৫০ গী মমাংদা কানপুরদা এম বি বি এস ওইনা চংখিবদগী হৌনা মীওইবা খুন্নাইগী সেবা তৌবনা মহাক্কী মোটো ওইখি হায়রদুনা দীন দয়াল উপাধ্যাগী অন্টোদয়া ফিলোসোফিবু পামজরুবদগী পোলিটিক্সতা খোঙ থাংজিল্লকখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি। পোলিটিক্স চংলকপদগী অনাবা খক্কী নত্তনা লায়রবা অমসদুং থৌশাদবদগী থোকপা ৱাথোক কয়াবু থেংনদুন মতেং পাংবা ঙমজখি হায়খি।

ডো. হার্শ ভরধন অসি দেল্লিগী হেল্থ মিনিষ্টর ওইনা অমসুং যুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর ওইনসু মীয়ামগী থৌগল তৌরমখি। কুমজা ২০১৪ দা ডো. হার্শ ভরধননা কাপিল সিবালবু চান্দনি চোক লোক সভা সিট ইলেক্সনদা মায়থিবা পীদুনা এম পি ওইরকখিবনি। মহাক্না কুমজা ২০১৯ দা কোংগ্রেসকী জাই প্রকাশ অগরৱালবুসু মায়থিবা পীরমখি।

খোঙজং চংশিল্লিবা লৌমীশিং য়ুমশকৈশ নুমিৎতগী দেল্লি তম্না চংশিল্লগনি



চান্দিগ্রাহ, মার্চ ০৩ (এজেন্সি) :

খোঙজং চংশিল্লিবা লৌমী কয়াগী দেল্লি তম্না লাকখিবা খোঙচৎ অদু লাক্লিবা তাং ৬ য়ুমশকৈশ নুমিৎতগী অমুক মখা চথবা ওইনা দেল্লি তম্না চংশিল্লগনি হায়রি।

পঞ্জাব অমসুং হরিয়ানাদগী লাকখিবা লৌমীশিংনা শম্ভু, খানাউরি অমসুং দবৱালি বোর্দরশিংদা ঙাক্তুনা লৈহৌরগা ষ্টেট অনী অসি নত্তবা অতৈ ষ্টেটতগী লাকখিবা লৌমীশিংনা বস, ট্রেননচিংবশিংগী মতেংনা দেল্লি তম্না চংশিল্লগনি হায়রি। লোয়ননা লাক্লিবা তাং ১০ অসিদা রেল থীংবগী খোঙজং অমা ইন্দিয়া পুম্বদা চংশিনগনিসু হায়রি।

ৱাফমশিং অসি কিষান মজদুর মোর্চা (কে এম এম) গী কোর্দিনেটর সারৱান সিংহ পানধেরনা লৈখিদ্রবা লৌমী শুভকারন সিংহগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপদা থমখিবনি।

মহাক্না হায়, ফেব্রুৱারী ১৩ দা হরিয়ানা লৈঙাক্না খোঙজং চংশিল্লিবা ঐখোয়দা রব্বর বুলেট, টিয়র গ্যাস সেলশিং কাপশিনখি। ঐখোয়না খোঙচৎ হেক চৎকে তৌবগা মখোয়না অসুমনা তৌবীদুনা লাকপনা ফেব্রুৱারী ২১ দা নহা ওইরিবা শুভকারনবু মখোয়না হাৎপীখি।

সেন্টর লৈঙাক্না ঐখোয়না ট্রেক্টরদা দেল্লি তম্না লাকপগী মহুৎ বস অমসুং ট্রেনদা ৱাকৎপা লাকপা য়াগনি হায়রি। মরম অদুনা মার্চ ৬ তা পঞ্জাব অমসুং হরিয়ানা নত্তবা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী লৌমীশিংনা দেল্লি তম্না বস অমসুং ট্রেনতা চংশিল্লগনি। মসিদা মখোয়না দেল্লি য়ৌহল্লকপরা য়েংবা তারে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হান্নসু ফেব্রুৱারী ১৩ দা কর্নাটাকা, মধ্য প্রদেশ অমসুং টামিল নাদুগী লৌমীশিংনা দেল্লি য়ৌশিন্নবা হোৎনরিঙৈ মখোয়বু ফাদুনা থমখিবনি। হন্দকসু মখোয়গী ৱাফম অসি ঙাকপরা য়েংবা তারে। খানাউরি অমসুং শম্ভু বোর্দরগী মফমশিংদা লৈরিবা লৌমীশিং লেংদনা লৈগনি অদুগা দবৱালি বোর্দরদগী লৌমী অমসুং মোর্চা মেম্বরশিংনা অহেনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকনি। ঐখোয় ঐখোয়গী দিমান্দশিং অসি ফংদ্রিবা ফাওবা হল্লোই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মার্চ ১০ দগী ইন্দিয়া পুম্বদা চথুগদৌরিবা রেল থীংবগী খোঙজং অসি নুমিৎ য়ুংবা পুং ১২ দগী পুং ৪ ফাওবনি হায়রি। লৌমী ময়ামগী ইহৌ অসিবু সেন্টরনা সর্ৱান সিংহ পানধের অমসুং জগজিৎ সিংহ দাল্লেৱালনা খক লুচিংবা য়ুনিয়ননা হৌবা ইহৌ ওইনা উহন্নবা হোৎনরিবা অসি লৈবাক পুম্বগী ইহৌনি হায়বা মশক তাক্কনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

অগ্নিপথ স্কিমনা নেসনেল সিক্যুরিটিদা অকায়বা পীরে ঃ কোংগ্রেস

ন্যু দেল্লি, মার্চ ০৩ (এজেন্সি) :

কোংগ্রেসনা সেন্টর লৈঙাক্কী অগ্নিপথ স্কিম অসিনা লৈবাক অসিগী নেসনেল সিক্যুরিটিদা অকায়বা পীরে অমসুং আর্মদ ফোর্সশিংগী রিক্রুইটমেন্টতা চরাংনবা থোকহল্লে হায়না মরাল শিখ্রে।

এক্স-সার্ভিসমেন অমসুং অগ্নিভির রিক্রুইটশিংগী মরক্তগী পেন্দবা অমসুং মীচং মীখাই নাইবগী থৌওংশিংগী ৱাকৎ কয়া অগ্নিভির স্কিম অসিগী মতাংদা থাগৎনরক্লি হায়রি। রাহুল গান্ধীনসু ভারত জোরো ন্যায় যাত্রা মনুংদা স্কিম অসিবু অমুক হন্না কুপ্না রিভিয়ু তৌনবা অপিল তৌখি।

কোংগ্রেসকী ৱাফম অসি পার্টি অসিগী লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা এক্স-সার্ভিসমেনশিংগা অমসুং অগ্নিভির রিক্রুইটশিংগা উন্নদুনা ৱারী শাখ্রবা মতুংদা ফোঙদোরকখিবনি। মফম অসিদা রাহুলনা মধ্য প্রদেশকী অগ্নিপথ স্কিমনা হান্নগী রিক্রুইটমেন্টশিংদা মহৌশাগুম রিক্রুইটমেন্ট য়াওজগদবা নহাশিং অদু য়াওবা ফংদ্রে হায়বগী ৱাকৎসু তাখি।

কোংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি ইন-চার্জ কম্যুনিকেসন্স জাইরাম রামেশনা এক্সতা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা স্কিম অসিনা ইন্দিয়াগী আর্মদ ফোর্সশিংগী থৌনা লিংজেল অমসুং মপুক্লিং শোন্থহল্লি। সার্ভিসমেনশিংগী ট্রেনিংসু তেনখ্রবা থা ৬ তা লোইশিন্নবা হোৎনৈ হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা লৈবাক অসিদা আর্মদ ফোর্সকী রিগুলর রিক্রুইটমেন্টকী ফোর্মেলিটি পুম্নমক লোইরবা নহা লাখ ১.৫ অসি স্কিম অসিনা রিক্রুইট তৌবিদনা লৈরি হায়খি। পেন্দ্রবা এক্স-সার্ভিসমেন্ট অমসুং অগ্নিভির রিক্রুইটশিংনা মোদি লৈঙাক্কী পোলিসি অসিগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌদুনা লাক্লি। অদুবু খন্ন-নৈনবা অমত্তা য়াওদনা সেন্টরনা স্কিম অসি চৎনহনখিবনি হায়খি।

অগ্নিপথ স্কিম অসিনা নহা ওইরিবা চহী ১৭ অমসুং ২১গী মরক্তা লৈবশিংবু রিক্রুইট তৌবগী খুদোংচাবা পীরি। মসিগা লোয়ননা মখোয়না চহী ৪ থবক তৌরবা মতুংদা মখোয় রিক্রুইট পুম্নমক্তগী চাদা ২৫ দি চহী ১৫ মুক শাংথনা থবক তৌবগী খুদোংচাবা পীগনি হায়রি।

মমা য়াওনা চহী ৫ গী মখাদা লৈবা নুপীমচা ৩ পুন্না শিরে

জম্মু, মার্চ ০৩ (এজেন্সী):

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী রিসি দিষ্ট্রিক্টতা নোং কন্না তাবদগী য়ুম নিংখাইরক্তুনা মমাগা লোয়ননা মচানুপী ৩ পুল্লপ লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবা নুপীমচাশিং অদু চহী ৩ দগী ৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ঙাক্তনি হায়রি।

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী মফম অয়াম্বদা মার্চ ১ দগী হৌনা অকনবা নোং তারকখিবনি। য়ুম অমসুং পব্লিক প্রোপর্টি কয়া অকনবা নুংশিৎনা অমসুং লেন্না অমাং অতা থোকহল্লে হায়রি।

ইমুং অদুগী য়ুম অদু কুন্দরধান মোহরা খুঙ্গংদা লৈবনি হায়রি। ইমুং অসিগী অহল ওইরবা মীওই অনী অমসু থৌদোক অসিদা অশোক-অপন নংদুনা হোস্পিটালদা লায়কন্নখি। অশিবা হকচাংশিং অদু অতেক-অকায় মরক্তগী রেস্কু ৱার্করশিংনা লৌথোকখ্রে হায়রি।

থৌদোক্তুনা লৈখিদ্রবা নুপীদুগী মমিং ফাল্লা অখটর (৩০) কৌই। নুপীসিগী মচাশিং অদুনা নাসিমা (৫), সাফীনা কৌসর (৩) অমদি সামরিন কৌসর (২) নি হায়রি।

শেহবাজ শারিফনা অনীরকশুবা ওইনা পাকিস্তানগী পি এম ওইরগনি



ইস্লামাবাদ, মার্চ ০৩ (এজেন্সি) :

পাকিস্তানগী মুস্লিম লুচিংবা শেহবাজ শারিফ লৈবাক অসিগী অনৌবা নেসনেল এসেমব্লিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা খনখ্রে।

ফেব্রুৱারীগী তাং ৮ দা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন অদু মরিক চুম্না পাঙথোকখিদে অমসুং ইলেক্সন হায়দোকপা থেংথৈ হায়বগী ৱাফম কয়া লৈরবসু ঙসি মার্চ ৩, নোংমাইজিং নুমিৎ অসিদা ফমখিবা নেসনেল এসেমব্লি অদুনা শেহবাজ শারিফপু পি এম ওইনা খনবা হায়না য়ানখ্রে হায়রি।

মমাংদসু পি এম ওইখ্রবা শাহবাজনা ভোট মশিং ২০১ ফংখি অদুগা মহাক্না লম্বা পান্নরিবা ওমর অয়ুব খাননা ভোট মশিং ৯২ ফংখি। শেহবাজ অসি সুন্নি ইট্টেহাদ কাউন্সিল (এস আই সি) হায়রিবা হান্নগী পি এম ইমরান খানগী পাকিস্তা তেহরিক-ই-ইনসাফ (পি টি আই) পার্টিগী মখাদা লৈবা পোলিটিকেল লেজিসলেটরশিংনসু শৌগৎলি হায়রি। পি টি আই দি হান্দক্কী ইলেক্সন অসিদা ইলেক্সন লো থুগাই হায়বগীদমক ইলেক্সন থেংনবদগী থীংখ্রবনি।

হৌজিক হৌজিক পাকিস্তান মুস্লিম লিগ নৱাজ (পি এম এল এন) পার্টিগী প্রেসিডেন্ট ওইরিবা চহী ৭২ শুরবা শেবাজ শারিফ অসি মমাং চহীগী ওগষ্ট থা ফাওবা পি এম ওইনা পুরম্বনি। মহাক অসি পাকিস্তানগী পি এম অহুমলক ওইখ্রবা নৱাজ শারিফকী মনাওনুপনি। ময়াম্বা নৱাজ শারিফনা শেল্লম্বা পি এম এল এন পার্টি অমসুং পাকিস্তান পিপল পার্টি (পি পি পি) অনী অসি খুৎশম্নদুনা পাকিস্তান লৈঙাক শেল্লগনি।

পাকিস্তান নেসনেল এসেমব্লিগী মেম্বরশিং অসি হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎতা ৱাশক লৌখিবনি। পি টি আই পার্টিগী সলেক্সন সিম্বোল ফংদদুনা কেন্দিদেটশিং ইন্দিপেন্দেন্ট ওইনা লেপখ্রবা মতুংদা মখোয়না সিট ৯৩ ফংদুনা খ্বাইদগী চাউবা গ্রুপ ওইখি। পার্টি অসিনা মখোয়গী ইলেক্সন মেনদেটপু লাউথোক্লুবা তকশিল্লদুনা লম্বীদা খোঙজং চংশিনবসু হৌখ্রে। পার্টি অসিগী লুচিংবা ইমরান খানদি ২০২২ দা পার্লিয়ামেন্টকী নো কনফিদেন্স ভোটতা লৌথোকখ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিগী অরোন অথুপ ফোঙদোকই অমসুং শেঞ্জা-থুমজাদা চেন্নৈ হায়দুনা মমাং চহীগী ওগষ্টতগী জেলদা লৈরকখিবনি।

মীওই মিল্লিয়ন ২৪১ লৈরিবা লৈবাক অসি পোলিটিকেলগী ওইবা চরাংনবা অমসুং ইকোনোমি শোকচিল্লকপনা তংদু-লৈতাদবা লৈবাক অমা ওইনা লাক্লিবনি।

গ্রাম্মি ফংখ্রবা ইরানগী শৈশকপা চহী ৩ জেলদা থাজিনখ্রে

টেহরান, মার্চ ০৩ (এজেন্সি) :

গ্রাম্মিগী এৱার্দ ফাওবা ফংখ্রবা ইরানগী শক্লাইরবা শৈশকপা শেরভিন হাজিপোরগী ঈশৈননা চহী অমগী মমাংদা ইরানদা থোকখিবা প্রোটেষ্ট অমগী এন্থেম ওইখিবগী ইরান লৈঙাক্লা মহাকপু চহী ৩ জেলদা থাজিনখ্রে।

শেরভিন হাজিপোরগী ঈশৈ অদুনা লৈবাক অসিদা প্রোটেষ্ট থোকহন্দুনা নেসনেল সিক্যুরিটিদা তংদু লৈতাদবা ফিভম ওইহনখি অমসুং ইরান লৈঙাক্কী মায়োক্তা প্রোপেগন্দা শন্দোকই হায়দুনা চহী ২৬ খক্তা ঙাইরিবা শৈশকপা অসিবু জেলদা থাজিনখিবনি। অদুবু ইরান লৈঙাক্লা শৈশকপা অসিদদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা চথুবা মীওৎমীনৈগী মতাংদা ঈশৈ অমা ইনবা হায়রকখিবদি লৈ হায়রি।

শৈশকপা অসিগী ‘বারায়ে’ হায়রিবা ঈশৈ অসি ইরান লৈবাক্তা প্রোটেষ্ট কন্না চথরিঙৈদা ইদুনা ফোঙলকখিবনি। প্রোটেষ্ট অদু কুমজা ২০২২ গী সেপ্টেম্বরদা মাহসা অমিনি পোলিস কষ্টদিদা চিংনানিংঙাই ওইনা লৈখিদবগী থৌদোক অদুদগী হৌরকখিবনি। মাহসা অমিনি অসি ইস্লামিক রিপব্লিককী নুপীগী ড্রেস কোদ থুগাই হায়দুনা ফাখিবনি।

হাজিপোরগী ‘বারায়ে’ অসি যু এসকী হ্বাইট হাউসতা কুমজা ২০২৩ দা নাউরুজ হায়বা পর্সিয়াগী ন্যু য়্যর পাঙথোকপগী থৌরমদা থাদোক্তুনা তানখি। মসিগী মমাংদা যু এসকী ফর্ষ্ট লেদি জিল বিদেননা হাজিপোরদা স্পিসিয়েল গ্রাম্মি অমা পীদুনা ইকায়খুম্নবসু উৎখি।

কুমজা ১৯৮৩ দগী হৌনা ঙক অমসুং কোক খুম্বা হায়বসি ইরানগী নুপীশিংগী ওইনদি তঙাইফদবা অমা ওইরকখিবনি। মাহসা অমিনিগী মীশি অদুনা ইরানদা থা কয়া মীয়াম্না পেন্দবগী খোল্লাও লাউদুনা খোঙজং চংশিনখি। খোঙজং মনুং অদুদা মীওই কয়া থৱায় মাংখি।

হাজিপোরসু খোঙজং মনুং অদুদা মতম খরা ফাজিনখি। হন্দক জনুৱারীদসু ইরানগী কোর্টনা অতোপ্পা শৈশকপা অমবুসু নুপীগী কোক খুম্নবা স্কার্ফ অদুবু ক্রিটিসাইস তৌরুবগী চহী অমা জেলদা থাজিনখ্রবনি।

বি জে পি এম এল এ জিম্বানা মশাগী ঈনা মোদিদা চিঠি ইখ্রে

দার্জলিং, মার্চ ০৩ (এজেন্সী):

দার্জলিংদগী বি জে পিগী এম এল এ নুরাজ জিম্বানা মশাগী ঈনা পি এম মোদিদা গোর্খাগীদমক য়াইফনবা কুমজা ২০০৯, ২০১৪ অমসুং ২০১৯ দা বি জে পিনা ৱাশক্লম্বশিং অদু থবক ওইনা ওন্থোক্তে হায়দুনা চিঠি ইখ্রে হায়রি।

‘গোর্খা কা সপনা, মেরা সপনা’ হায়দুনা বি জে পিগী ‘সঙ্কলপ পত্রা’ দা হায়খিবা ৱাফম অসি থবক্তা ওন্থোকপা মতম ওইরে। গোর্খাশিংদা জষ্টিস পীগদবনি হায়নসু মহাক্না পেন্দবা ফোঙদোক্লদুনা ঈগী চেরোলদু ইখিবনি হায়রি।

[illegible]

[illegible]

গাজা হোস্পিটাল মনাক্তা ইজরেলগী ষ্ট্রাইকনা মীওই ১১ হাৎখ্রে

গাজা, মার্চ ০৩ (এজেন্সি) :

গাজাদা ইকুই কুইদ্রিঙৌদ ত্রক্তগী চানবা পোৎলম লৌনবা মীওই কয়ানা ওমশিন্নরকপদা ইজরেল ফোর্সনা মীওই কয়া কাপ্পুনা হাৎখ্রবা মতুংদা ঙরাং অথেংবদা গাজাগী রাফাহদা লৈবা হোস্পিটাল অমগী মনাক্তা ইজরেল ফোর্সনা ষ্ট্রাইক তৌবদা মীওই ১১ অমগা অমুক শিখ্রে হায়রি।

হোস্পিটাল মনাক অসিদা টেন্ট খন্দুনা লৈরম্বা মীওইশিং অসিদা ইজরেলনা ষ্ট্রাইক চথদুনা মীওই ১১ হাৎখ্রে অমসুং অঙাং য়াওনা হোস্পিটাল অসিদা থবক তৌরিবা হেল্থ ৱার্কর কয়াসু অশোক অপন নংহনখি হায়না গাজাগী হেল্থ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, ইমিরাতি মেটরনিটি হোস্পিটাল অসিগী গেট ময়াদা ইজরেলগী ফোর্সশিংগী ষ্ট্রাইক অদুনা শোকহল্লবা অঙাং কয়ানা তাদুনা লৈবা অমদি অতোপ্পা অঙাংশিংনা য়েংদুনা কপখিবা অসি থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতে। করিসু খঙজদ্রিবা অঙাংনা লৈবা মফমদা ফাওবা ষ্ট্রাইক চথবগী থৌওং অসি পাঙদবগী থৌওংনি হায়খি।

ইজরেলগী মিলিটরিনা ঙরাং অথেংবদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা মখোয়না ‘প্রিসিসন ষ্ট্রাইক’ চথখিবা অসি হোস্পিটাল মনাক অদুদা কেম্প তৌদুনা লৈরিবা ‘ইস্লামিক জিহাদ টেররিষ্ট’ শিংদনি হায়না ফোঙদোরক্লি। অদুবু ষ্ট্রাইক অসিনা অঙাং শোকহল্লিবা করিগীনো হংবা মতমদদি ইজরেল মিলিটরিদগী পাউখুম অমত্তা পীরমখিদে হায়রি।

ইজরেলগী মিলিটরিনা গাজাগী রাফাহ হায়রিবা মফম অসিগী অকোইবা অসি গাজা মীয়ামগী ওইনদি সেফ জোননি হায়না লাউথোকখিবা লৈখ্রবনি। মসিগী মতুং ইন্না হৌজিক গাজাগী মীয়াম হৌনদুনা মশা-মশানা শেমজবা টেন্টশিংদা লৈরকখিবনি। অদুবু মফম অসিদা পুনশিন্নদুনা হিংনবা হোৎনরিবা মীশিং মিল্লিয়ন ১.৫ হেল্লবসু ইজরেলগী এয়র ষ্ট্রাইকতি লেপ্পা লৈতনা চথরি। ইজরেলগী পি এম বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা মতম খরগী সিজফায়র য়ানচে সাইন তৌরবসু তৌদ্রবসু মহাক্কী ফোর্সনা মফম অসিদা চংশিনগনি হায়না ফোঙদোকপসু লৈখ্রবনি।

হোস্পিটাল মনাক্তা চথখিবা ষ্ট্রাইক অসি তমথিবা থৌওং অমনি হায়না ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী লুচিংবা তেদ্রোস অধানোমনা ফোঙদোক্লদুনা হেল্থ কেয়রদা থবক তৌরিবশিংবু ঙাক-সেন্দুনা লান অসিনা শোকহন্দনবা অপিল তৌখি।

ইমিরাতি মেটরনিটি হোস্পিটাল অসি গাজাগী মীরোনবী নুপীশিংগীদি অমত্তা ঙাইরবা অরোইবা চংজফম ওইরিবনি।

[illegible]

[illegible]

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG
Ref :- Mutation Case No. 105/SDC/IW-L/2024

1. Potsangbam Imocha Singh, S/o (L) Ranjit Singh of Uripok Naoremthong Laishram Leikai
2. - Do - Shantikumar Singh, S/o (L) - Do - of - Do -

- Petitioners

-VS-

Late Khwairakpam (N) Jandhabi Devi, D/o (L) Ibochouba Singh of Naoremthong

- OP/Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE
1/3/2024

U/S 46(3) of MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার খৱাইরাকপম নিংঙোল জানধবী দেবী পীতা মৃত ইবোচৌ সিংহ সাং নাওরেমথোংগী মীংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ১০৫-লমদেং খুনৌগী অনৌবা পাট্টা নং ৪২ দাগ নং ১১৪৮ এরিয়া মৃ: পাট্টাদারগী শরুক ০.২০ চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌবিনিংলবদি তৌবিবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চংথজরগনি।

Sd/- **B.C. to SDC**
IW-Lamsang

HL-P/9820/04 March

ADVANCED COACHING INSTITUTE (ACI)
THE LARGEST, TRUSTED & PREMIER COACHING INSTITUTE IN MANIPUR
MAXIMUM POSITION HOLDERS IN HSLC & COHSEM EXAM EVERY YEAR
Science/Arts/ comm.
HSLC TOPPERS STUDENTS
2nd Post DHANAJIT, 9th Post SWATI, 10th Post KHENILA, 11TH Post NEVITA, 15th Post AVANTIKA, 16th Post SHACEINGANBA, 17th Post BIDAYA, 17th Post KHENIKA, 17th Post KHENIJA, 7th post SNEHA, 9th Post MALEM, 23TH Post PARES, 24th Post TANU
SCIENCE: 11TH Post NEVITA, 4TH Post ROBINSON, 6TH Post SHAH MINHAZ, 8th Post ANJU ANAND, 9th Post THOUNGAMBA, 16th Post SAMANANDA
ARTS: 3RD Post FIROJ, 7TH Post OBINKUMAR, 8th Post PARITON, 8th Post PARIHAN, 10th Post SANATHOI, 5th Post SHARMELI, 5TH Post BERON, 8th Post LINTHOINGAMBI, 10th Post BRINDASHI
* FIRST COME FIRST SERVE ! * SPECIAL FEE CONCESSION FOR THIS SESSION ! * ONLY FEW REMAINING SEATS !
STATE BOARD AND COUNNCIL (BOSEM & COHSEM)
HURRY!! LIMITED SEATS!!!
CENTRAL BOARD (CBSE)
XII FOUNDATION COURSE (Sc./Arts/Com) : 25th March
XII CBSE (Sc /Arts/Com) Revision : 25th MARCH
IX & X FOUNDATION COURSE : 7th,11th March
IX &X FOUNDATION : 11th,25th March
SPECIAL CONCESSION:
ACIANS or Any former students 2. students of Govt. schools 3. Meritorius student 4. Two or more students of same parents
TIME :
4PM to 7.30PM
4.15PM to 7.15PM
SPECIAL facilities:
1. Study materials of each chapter 2. Sunday Test Series 3. Sunday extra Classes OF optional subjects/ MIL 4. Extra class for weaker STUDENDS 5. SEPARATED BOYS AND GIRLS HOSTEL
For details visit office of NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH # 9862992105
HL-B/8530/7 Feb to 8 Apr. (Alt)